রেপ কেসতা চেন্নবা মীওই ফারে

ফাটেপুর, মার্চ ১৬ (এজেন্সী) :
উত্তর প্রদেশকী ফাটেপুর দিষ্ট্রিক্টতা চহী নৌরিবী দলিট নুপীমচা অমবু মশানা য়াদনা নমফুদা নুপী ওইবীগী ঈকায়খুম্নবা মাঙহনখিবা নুপা অমা পুলিসনা ফারে হায়রি।

পুলিসকী রিপোর্টমতুং ইন্না মশাগী চহী ২৩ রোম শুরবা রাজু অন্সারিনা হৌখিবা ইরাই নুমিত্তা মশাগী চহী ১৭ লোম শুরবী নুপীমচা ভিক্তিম অসিবু মহাক্কী ময়ুমদা পুশিল্লবা মতুং নুপী ওইবীগী ঈকায়খুম্নবা মাঙহনখিবনি। রাজুনা নুপী অদুগী ঈকায়খুম্নবা মাঙহনবতা নত্তনা মশাগী লাইনিং হোংদোক্লবসু অকনবা মওংদা প্রেসর পীখি। নুপী মচা অদু থাংজ নুমিৎকী অয়ুক্তা কন্নবা ঙমখিবনি হায়না পুলিস ওফিসর সন্দিপ কুমার টিৱারিনা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা রাজু অন্সরিগী মথক্তা ভিক্তিমগী ইমুং মনুংনা পুলিসতা কমপ্লেন তৌরকপদগী কেস অমা রেজিষ্টর তৌরবা মতুং নিংথৌকাবা নুমিত্তা একুয্জ রাজু মহাক্কী ময়ুমদগী ফাখিবনি। ভিক্তিম নুপীমচা অদু মেদিকেল এগজামিনসেনগীদমক্তা গভর্ণমেন্ট হোস্পিটালদা থাখ্রে হায়রি।

মীরেপ ওইনবগীদমক থোকখিবা লিষ্টকী মায়োক্তা ৱার্করশিংনা খোঙজং চঙশিনখ্রে

কোলকটা, মার্চ ১৬ (এজেন্সী) :
ৱেষ্ট বেঙ্গলদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসেমব্লি ইলেক্সনদা মীরেপ ওইনবগীদমক বি জে পিনা থোকখিবা লিষ্ট অদুবু পার্টি অসিগী ৱার্কর কয়ানা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা কোলকাটাদা লৈবা পার্টি অসিগী ইলেক্সন ওফিস মমাংদা খোঙজং চঙশিনখ্রে।

কেন্নিং ৱেষ্ট, মগ্রাহাট, কুলটালি, জোয়ানগর অমসুং বিষ্ণুপুরদগী লাকখিবা বি জে পি সপোর্টর কয়ানা ঙসি অয়ুক্তগী হৌরগা পার্টিগী ষ্টেট ইলেক্সন ওফিস মমাংদা খোঙজং চঙশিনখিবনি। পার্টি ওফিস মমাংদা চঙশিনখিবা খোঙজং অদুদা পুলিসনা কা হেন্না অথিংবা পীবা ঙমখিদে।

ঙসিগী খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবা বি জে পি এক্টিভিষ্ট অমনা ফোঙদোকখিবদা কেন্নিং ৱেষ্টতা বি জে পিনা মীরেপ ওইনা পুথোক্লিবা অর্নাপ রোয় নুমিৎ ৫ গী মমাংদা তৃনামুলদগী তোল্লুগা বি জে পিদা য়াওরকখিবনি।

হান্না লৈরম্বা অরিবা পার্টি ৱার্করশিংদা টিকেট পীবগী মহুত্তা খুদক্তা য়াওরকখিবা মীওই অমদা টিকেট পীবা হায়বসি অচুম্বা খোঙথাং নত্তে। মরম অদুনা পার্টিগী ফিরেপ অথুবা মতমদা হন্দোক্লবা দিমান্দ তৌখি।

টি এম সীদা লৈরিঙৈ মতমদা হৌজিক কেন্দিদেট ওইনা বি জে পিনা পুথোক্লিবা অর্নাপ শেঙ্গা থুমজাগা মরী লৈনবা কেস কয়াদা চেন্নবা মীওই অমনি হায়রি।

মগ্রাহাটতগী মতম কুইনা বি জে পিগীদমক থবক তৌদুনা লাক্লবা রোনি মনানা ফোঙদোকখিবদা মখোয়গী দিমান্দ ফংদ্রবদি ওফিস মমাংদা ফঙদুনা খোঙজং চথখিগনি অমদি পার্টিগী ইলেক্সন কেম্পেইনশিংদা মখোয় শরুক য়ারোই। অতোপ্পা কেন্দিদেট খরসু পার্টি অসিদা য়াওবা কুইদ্রি। বি জে পিবু হুন্দুনা ঙাওলম্বা মীওই কয়াদা পার্টিগী টিকেট পীবা হায়বসি অরানবা খোঙথাংনি।

অমরোমদা ঙসিগী খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবা পার্টি ৱার্করশিংনা পুলিসনা ঙাক্তুনা থল্লিবা বিরিকেদশিং নমথায়দুনা মনুং চঙনবা হোৎনখি। অদুবু পুলিসনা থিংদুনা মখোয়গী থৌওং অদু মায় পাকহনখিদে। হৌজিক হৌজিক বেঙ্গলদা লৈবা বি জে পিগী ইলেক্সন ওফিস মমাং অমসুং অতোপ অতোপ্পা মফমশিংদা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তগী হৌরগা পার্টিগী ৱার্করশিংনা খোঙজং চঙশিনবা হৌরকখিবনি। কেন্দিদেট খনবগা মরী লৈননা মীয়ামগী খোঙজং অদু চঙশিনখিবনি হায়রি।

রাজস্থানদা কোংগ্রেস লৈঙাক লৈবদগী নুপীদা চথবা ক্রাইম মশীং হেনগৎলক্লি: বি জে পি

ন্যু দেল্লী, মার্চ ১৬ (এজেন্সী) :
রাজস্থানদা কোংগ্রেসনা লৈঙাক পায়রবা মতুং নুপীদা চথবা তোঙান তোঙানবা মখলগী ক্রাইমশিং নোংম নোংমগী হেনগৎলক্লি হায়না মরাল শীরকপগা লোয়ননা নুপীশিংগী ওইবা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎপগী মহুত্তা মশা কন্নবা হোৎনদুনা লৈরে হায়না বি জে পিগী ৱাঙাঙলোয় রাজ্যভর্ধন সিংহ রাথোরনা ফোঙদোরক্লি।

রাজস্থানগী এম পিসু ওইরিবা বি জে পিগী ৱাঙাঙলোয় অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা রাজস্থানগী চীফ মিনিষ্টর অশোক গেলোট মশানা খঙনা সী এম ফমদগী পোথাফম থোকই। মহাক্কী মতমদা ষ্টেট অদুদা থোকহন্নিংদবা থৌদোক কয়া থোকখ্রে। মীয়াম্না অশোক গেলোটকী লৈঙাক পামদ্রে হায়বসি ময়েক শেংলে হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা পাউমীশিংগী মমাংদা ৱা ঙাঙলদুনা রাথোরনা হায়খিবদা লৈবাক অসিগী ওইনা নুপীদা চথবা ক্রাইম খ্বাইদগী ৱাংবা ষ্টেট অসি রাজস্থাননা ওইরি। হৌখিবা কুমজা ২০১৯ দা লৈবাক অসিগী ওইনা নুপীদা চথবা ক্রাইম ৩২,০০০ রেজিষ্টর তৌরকখি। মদুগী মনুংদা ৬,০০০ তি রাজস্থান খক্তদগীনি।

কোংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধী অমসুং প্রিয়াঙ্কা গান্ধী ভদ্রানা রাজস্থানদা থোক্লিবা ক্রাইমশিং উনা উনা উশিন্নদবা শাদুনা লৈরি। হীরম অসিগী মতাংদা লুচিংবশিং অসিনা ঙসি ফাওবদা থবক অমত্তা পায়খৎপা লৈত্রি।

লৈবাক অসিগী ওইনা অরিবা পার্টি অমসু ওইরিবা কোংগ্রেসকী মমিং লৈরিবী লুচিংবী অনী লৈনা লৈনা নুপীদা ক্রাইম চথহনবা হায়বসি খন্থহন্নিংইঙাই ওই। সোনিয়া গান্ধী অমসুং প্রিয়াঙ্কা গান্ধীনা নুপীদা চথবা ক্রাইমগী মায়োক্তা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোক্তনা তুমিন্না লৈশিল্লি।

কোংগ্রেসনা ষ্টেট অসিদা মখা তানা লৈঙাক পায়দুনা লৈরবদি নুপীদা চথবা ক্রাইমগী মশীং নোংম নোংমগী লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলকখিগনি হায়নসু রাথোরনা মখা তাখি।

এয়র ফোর্স বস এক্সিদেন্ট থোকপদগী মীওই ৫ শোক্লে

মুম্বাই, মার্চ ১৬ (এজেন্সী) :
মুম্বাইগী ভিখ্রোলি এরিয়াদা ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং এয়র ফোর্স বস অমা এক্সিদেন্ট থোকপদগী মদুদা তোংলকখিবা পেসেঞ্জর ৫ অশোক অপন নংখ্রে হায়না পুলিস ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

বস অদু টেক্নিকেলগী ওইবা খুদোংচাদবা খরা লাকপদগী বস দ্রাইভর অদুনা খঙহৌদনা ব্রেক ফাবদগী এক্সিদেন্ট অদু থোকখিবনি। থানে এয়র ফোর্স ষ্টেসনগী বস অদুদা পুন্না মীওই ২৪ তোংলকখিবনি। থৌদোক অদু থোকপগী পাউ হেক তাবগা মনাক নকপদা লৈরম্বা পুলিস পর্সনেলশিং মফম অদুদা থুনা য়াংনা চঙশিন্দুনা অশোকপশিং হোস্পিটালদা পুখৎখি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা দিপ্যুটি কম্মিস্নর ওফ পুলিস (জোন-৭) প্রাসন্ট কদমনা ফোঙদোকখিবদা পেসেঞ্জর বস অদুদা চহী ৮ দগী ১০ ফাওবগী মনুংদা লৈগদবা নুপীমচা ৫ শু য়াওরি। এক্সিদেন্ট অদু মতৌ করম্না থোকখিবনো হায়বদু য়েংশিন্নবগীদমক রিজনেল ট্রান্সপোর্ট ওফিসকী পর্সনেলশিংদা খঙহনখ্রে হায়রি।

বেঙ্ক খুদিংমক প্রাইভেটাইজ তৌনবা ৱাফম লৈতে: ফাইনান্স মিনিষ্টর সিথারমন

ন্যু দেল্লী, মার্চ ১৬ (এজেন্সী) :
লৈবাক অসিদা লৈরিবা বেঙ্ক খুদিংমক প্রাইভেটাইজ তৌবগী ৱাফম লৈতে হায়না য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টর নিরমলা সিথারমননা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা করিগুম্বা বেঙ্ক খরা প্রাইভেটাইজ তৌরবসু ইমপ্লোয়ীশিংগী হকতি মাঙহনবা তৌরোই হায়রি।

বেঙ্ক প্রাইভেটাইজ তৌবগী ৱাফম অদু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা লৈবাক পুম্বদা নুমিৎ নীনিগী ওইনা চঙশিনখিবা বেঙ্ক ষ্ট্রাইক অদুগী মতাংদা মিনিষ্টর অসিনা ফোঙদোকখিবদা গভর্ণমেন্টনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা বেঙ্কশিংগা উনদুনা অফ ফত্তা খন্নবা পান্মী। প্রাইভেটাইজ তৌগদৌরিবা বেঙ্ক খরা অদুগী ষ্টাফ মেম্বরগী ইন্তরেষ্ট গভর্ণমেন্টনা ঙাক্তুনা থমগনি। বেঙ্ক ষ্ট্রাইক তৌবনা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা চৈথেং কয়া পীরি। মরম অদুনা ষ্ট্রাইক তৌবগী মহুত্তা ৱারী শানদুনা অফবা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা হোৎনবনা অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি।

অমরোমদা হীরম অসিগী মতাংদা কোংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধীনা হুন্দুনা ঙাঙখিবা অদুগী পাউখুম পীরদুনা মিনিষ্টর অসিনা ফোঙদোকখিবদা রাহুল গান্ধী মতমগী মতুং ইন্না হোংলক্লিবা অহোংবশিং খঙদবা নহা অমনি। মহাক অমসুং মহাক্লা লুচিংলিবা কোংগ্রেস পার্টিনা লৈবাক অসিদা করপসনগী মরু হুল্লম্বনি।

রাহুল গান্ধীনা মীয়াম মমাংদা ৱা ঙাঙদ্রিঙৈদা হান্ননা প্রাক্টিষ্ট তৌবনা অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি নৎত্রবদি রাহুল গান্ধীগী ৱাঙাঙ তাবদা মীপুম খুদিংনা নোক্নরিবা অদুগী খল্লনা নুংঙাইতবা ফাওই।

বেঙ্ক প্রাইভেটাইজ তৌনবা সেন্তরনা লৌরক্লিবা ফিরেপ অসি লৈবাক অসিগী মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক্নি। মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা ঙসি ফাওবদা মীয়ামগী মাঙনবা থবক অমত্তা তৌবা লৈতে হায়রি।

লৌমীশিংগীদমক্তা তৃনামুলনা থবক অমত্তা পায়খৎপা লৈতে

কোটুলপুর, মার্চ ১৬ (এজেন্সী) :
ৱেষ্ট বেঙ্গলদা লৈবা লৌমীশিং অমদি অদিবাসিশিংগীদমক তৃনামুল কোংগ্রেস অমদি পার্টি অসিগী লুচিংবী মমতা বেনর্জিনা ঙসি ফাওবদা চাওখৎ থৌরাংগী থবক অমত্তা পায়খৎপা লৈত্রি হায়না বি জে পিগী প্রসিদেন্ট জে পি নদানা ঙসি ফোঙদোরকখ্রে।

নুপী লুচিংবী অসিনা বি জে পিবু কাঙলূপ নাইবা পার্টিনি হায়না য়াম্না তোয়না লাউরি। অদুবু কাঙলূপ নাইবা থবক তৌরিবদি তৃনামুলগী লুচিংবী মমতা বেনর্জিনি। বেঙ্গলদা লুচিংবী অসিনা মনুং অমসুং মপানগী মীওইশিং হায়না অনী থোক্লা খাইদোক্লি। ইন্দিয়াদা লৈরিবা সিটিজন খুদিংমক লৈবাক অসিগী মনুংদা লৈরিবা ষ্টেট খুদিংমক্তা চৎনিংবা মতমদা চৎপা য়াই। অদুবু লুচিংবী অসিনা বেঙ্গলগী হান্নগী মী অমদি কোন্না চঙলকপা মী অনী থোক্লা খাইদোক্তুনা মান্নদবা মীৎয়েংদা য়েংলি।

অযোধ্যাদা রাম মণ্ডির শান্নবগীদমক উরেপ উয়ুং তম্বগী থৌরমদসু বেঙ্গলদা লৈবা মীয়াম্না লাইনিং লাইশোনগী ওইবা থবকশিং পাঙথোকপদা লুচিংবী অসিনা অথিংবা থমখি। হৌখিবা কুমজা ২০০৮ দা দেল্লী পুলিস ইন্সপেক্টর মোহনচান্দ শর্ম্মা হাৎখিবগী থৌদোক অদু তৌশিন্নবনি হায়না টি এম সীগী লুচিংবী অসিনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা করিগুম্বা থৌদোক অদুগী মতাংদা প্রমান পীবা ঙম্লবদি মহাক পার্টিদগী পোত্থাগনি হায়না ফোঙদোকখি। অদুবু দেল্লী কোর্টনা হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা অরিস খানবু শিবগী চৈরাক পীখ্রে। মহাক মশানা ঙাঙথোকখিবা ৱা ঙাক্লা চৎপা লুচিংবী অমা ওইরগদি মমতা বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর ফম থাদোকফম থোকই হায়না জে পি নন্দনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

মশা মতোমতা শিঙ্গদুনা মঙোন্দা এটেক চথহনখিবা অদু বি জে পিদা তাইশিন্নবা হোৎনরি

ন্যু দেল্লী, মার্চ ১৬ (এজেন্সী) :
বেঙ্গলদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইলেক্সনদা সিম্পেথি ভোট ফংনবগীদমক মমতা বেনর্জিনা প্লান তৌরগা মঙোন্দা এটেক চথহন্দুনা অশোক অপন খরা থোকহনখিবা অদু বি জে পিনা শিল্লগা থোকহনবা ওইনা মীয়ামদা উহন্নবা হোৎনরি হায়না য়ুনিয়ন দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা ঙসি ফোঙদোরক্লি।

ইলেক্সন কম্মিসন্না থৌদোক অদুগী মতাংদা থিজিল্লবা মতুং নন্দিগ্রামদা থোকখিবা থৌদোক অদু এটেক নত্তে। এক্সিদেন্টনি হায়না প্রুব তৌখ্রবনি। নুমিৎ অদুদা থোকখিবা থৌদোক অদু মহাক মশাগী অশোয়বনি। মহাকপু ঙাক শেন্নবা লৈরিবা সেক্যুরিটিশিংনা মহাক্কী অকোয়বদা লৈরমদবা হায়বসি চিংনমিংঙাই ওই। অমদি চীফ মিনিষ্টর অমনা মীয়াম মরক্তা ৱা ঙাওলিঙৈদা মহাক্কী সেক্যুরিটি ইন চার্জনা বুলেট প্রুফ গাড়ীদা ফমদুনা লৈথোকপা হায়বসি মরম চাদবা ৱাফমনি। ইলেক্সন কম্মিসন্না নুমিত্তুগী থৌদোক অদু এক্সিদেন্টনি হায়না লাউথোকখ্রে।

সেক্যুরিটিগী অহোবা লৈবদগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। অদুবু তৃনামুলগী লুচিংবী অসিনা থৌদোক অদুগী মতাংদা অরানবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্তুনা বি জে পিবু মীয়ামদা লান্না উহন্নবা হোৎনরি। মমতানা বি জে পিবু লান্না উহন্নবা হোৎনরবসু থৌদোক অদুদা অশোক অপন নংখিবী নুপী লুচিংবী অদুবু অথুবা মতমদা ফগৎলকপা ওইসনু হায়না ফোঙদোকখি।

বি জে পিনা বেকদোরদগী দেল্লীদা লৈঙাক পায়নবা হোৎনরি: মনিস সিসোদিয়া

ন্যু দেল্লী, মার্চ ১৬ (এজেন্সী) :
লৈবাক অসিগী কোনুং দেল্লীদা বি জে পিনা ইলেক্সনদা মায় পাক্লগা গভর্ণমেন্ট শেম্বা ঙম্লোই হায়বা খঙবদগী নারোন্দগী দেল্লীদা লৈঙাক পায়নবা হোৎনরি হায়না দেল্লীগী দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর মনিস সিসোদিয়ানা ফোঙদোরক্লি।

হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা লোক সভাদা সেন্তরনা গভর্ণমেন্ট ওফ নেস্নেল কেপিটেল টেরিটোরি ওফ দেল্লী (এমেন্দমেন্ট) বিল, ২০২১ ইন্তরদ্যুজ তৌখ্রবা মতুং মনিস সিসোদিয়ানা ৱাফম অসি ঙসি ফোঙদোরকখিবনি। লোক সভাদা ইন্তরদ্যুজ তৌখিবা বিল অদু য়াম্না খুদোংথিনিঙাই ওইবা মখলগী বিল অমনি। মসিনা ইলেক্সন তৌদুনা শেল্লিবা দেল্লীদা লৈরিবা ইলেক্তেদ গভর্ণমেন্টকী ৱাহন্থোক লৈহন্দনবা হোৎনরি। দেল্লী গভর্ণমেন্টনা বিল অদুগী মতাংদা লিগেল এক্সপার্টশিংগা তান্নদুনা কুপ্পা থিজিনবা হৌরগনি।

দেল্লীগী ম্যুনিসিপাল বাইপোলদসু বি জে পি য়াম্না ঈকায়নিংঙাই ওইবা সিট অমত্তা ফংদনা মায়থীবা নংখি। মদুগী মতুং মশাগীতা খনবা পার্টি অসিনা নমফুদা দেল্লীদা নারোন্দগী চঙশিল্লক্তুনা লৈঙাক পায়নবা হোৎনরক্লি। দেল্লীদা হৌজিক লৈরিবা ইলেক্তেদ গভর্ণমেন্ট অসিনা দেল্লী মনুংদা মপুং ফানা থবক তৌবা য়াগনি হায়না সুপ্রিম কোর্টনা পীখিবা ওর্দর অদুগী মায়োক্তা বি জে পিনা অতোপ্পা বিল অমা ইন্তরদ্যুজ তৌখিবা অদু লাইবকথিবনি হায়রি।

বি জে পিনা ঐবু হাৎনবা হোৎনরি: মমতা বেনর্জি

কোলকাটা, মার্চ ১৬ (এজেন্সী) :
সেন্তরদা লৈঙাক পায়রিবা বি জে পি গভর্ণমেন্টনা মহাকপু হাৎনবা থৌরাং তৌরি হায়না মমতা বেনর্জিনা মরাল শীরকখিবগা লোয়ননা বেঙ্গলদা বি জে পিগী মপাঙ্গল শোন্থরকপা উবদগী য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত শাহ ৱাখল লৈতানা লৈবা ঙমদ্রে হায়রি।

বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা বেঙ্গলগী মকোক থোংবা পুলিস মফমদগী লৌথোকখ্রবা মতুং নন্দিগ্রামদা পাঙথোকখিবা ইলেক্সন রেল্লি অমদা মঙোন্দা এটেক চথরকখি। মদুগী মতুং অমুক হন্না মহাক্কী সেক্যুরিটি ইন চার্জবু মফমদগী লৌথোকখিবা হায়বসি মহাকপু হাৎনবা শিনবগা চপ মান্নে।

বেঙ্গলদা থোরক্লিবা পামদবা থৌদোকশিং অসি য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অমিত শাহনা শীল্লগা থোকহনখিবা ঙাক্তনি হায়নসু মহাক্লা মরাল শীরক্লি। বেঙ্গলদা পাঙথোকপা বি জে পিগী রেল্লিশিংদা মী য়াম্না তিনবা উদবদগী অমিত শাহ ৱাখল লৈতাফম খঙদ্রে। মরম অদুনা মহাকপু মাঙহন্নবা বি জে পিনা অকনবা মওংদা হোৎনরি।

ঙরাং ঝরগ্রম দিষ্ট্রিক্টতা অমিত শাহগী ইলেক্সন রেল্লি অমা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা অদু কেন্সেল তৌখ্রে। টেক্নিকেল প্রোব্লেম লৈবদগী মহাক্কী রেল্লি অদু কেন্সেল তৌখিবা নত্তে। রেল্লি অদুদা শরুক য়াগদবা মী মশীং য়ামদবদগী রেল্লি অদু কেন্সেল তৌখিবনি। বি জে পিনা মহাক মাঙহন্নবা শীল্লিবা থৌরাংশিং অদুদা কিদুনা তুমিন্না খক লৈরোই। বেঙ্গল কনবা হায়বসি ঐগী ইথৌনি হায়না তৃনামুল কোংগ্রেসকী লুচিংবী অসিনা ফোঙদোরক্লি।

হৌখিবা পুং ২৪ দা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ২৪,৪৯২ থেংনখ্রে, ১৩১ শিখি

ন্যু দেল্লী, মার্চ ১৬ (এজেন্সী) :
লৈবাক অসিদা হৌখিবা পুং ২৪ দা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎকী অনৌবা কেস ২৪,৪৯২ থেংনখিবগা লোয়ননা লায়না লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই ১৩১ শিহনখি হায়না য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

নৌনা থেংনখিবা কেস মশীং ২৪,৪৯২ থারগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অসিদা কোভিদনা শোকহনখিবা মশীং ১,১৪,০৯,৮৩১ য়ৌখ্রে। অদুগা নৌনা শিখিবা ১৩১ থারগা লৈবাক অসিদা লায়না লায়চৎ অসিনা শিহনখিবা মী মশীং ১,৫৮,৮৫৬ য়ৌখ্রে। হায়রিবা রিপোর্ট অসি ঙসি অয়ুক পুং ৮ ফাওবদা ফংখিবা রিপোর্টনি।

হৌখিবা নুমিৎ ৬ নিরোম অসিদা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ থুনা য়াঙনা শন্দারকপদগী অপূনবা এক্টিভ কেস মশীং ২,২৩,৪৩২ য়ৌখ্রে। এক্টিভ কেসকী মশীং অসি মমাং চহীগা য়েংনরুবদা হন্দক চহীনা চাদা ১.৯৬ কী চাংদা হেনগৎলক্লি। লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ গী রিকোভরি রেটনা চাদা ৯৬.৬৫ তা হন্থখ্রে।

লৈবাক অসিদ কোভিদ-১৯ থেংননবা হোৎনবদা সেন্তরনা তোঙান তোঙানবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎলক্লি। মদুগী মনুং চন্না মীওই ৩,১৭,৭১,৬৬১ দা কোভিদ ভেক্সিন দোজশিং কাপখ্রে হায়না য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোরক্লি।

কোভিদ-১৯ গী ভেক্সিন কাপখ্রবা অপূনবা মীশিংগী মনুংদা হেল্থ ৱার্কর ৭৪,০৮,৫২১ কোভিদ ভেক্সিনগী অহানবা দোজ কাপখ্রে। অদুগা ৪৩,৯৭,৬১৩ হেল্থ ক্যের ৱার্করশিং অনীশুবা দোজগী হীদাক কাপখ্রে। ফ্রান্ট লাইন ৱার্কর ৭৪,২৬,৪৭৯ অহানবা দোজগী ভেক্সিন কাপখ্রে। অদুগা অনীশুবা দোজগী ওইনা ফ্রন্ট লাইন ৱার্কর ১৩,২৩,৫২৭ না অনীশুবা দোজগী কোরোনা ভাইরস ভেক্সিন কাপখ্রে।

মালেমগী ওইনা লৈবাক অসিনা কোভিদ ভেক্সিনগী দোজ খ্বাইদগী হেন্না পুথোকপা ওইরি। তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংনসু ইন্দিয়ানা পুথোকপা কোভিদ ভেক্সিন দিমান্দ তৌবগী চাং হান্নদগী য়াম্না হেনগৎলক্লি হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

কোভিদ-১৯ গী কেস মশীং হেনগৎলকপদগী নাইট কর্ফিয়ু থমখ্রে

ভোপাল, মার্চ ১৬ (এজেন্সী) :
মধ্য প্রদেশকী ভোপাল অমসুং ইন্দোর সিটিদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ শন্দোকপগী চাং হেনগৎলকপদগী তঙাইফদনা লায়চৎ অসি থিংনবগী পায়খৎলকপা খোঙথাং অমা ওইনা মফম অনীদা নাইট কর্ফিয়ু থমখ্রে হায়না ওফিসল ওইবা রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেট খরদা হৌজিক হৌজিক কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস মশীং খঙহৌদনা হেনগৎলক্লি। মদুগী মনুংদা মধ্য প্রদেশসু অমা ওইরি। মধ্য প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর সিবরাজ সিংহ চৌহাননা সেনিয়র ওফিসলশিংগা ঙসি মীফম অমা পাঙথোক্লবা মতুং ষ্টেট অদুদা ওইরিবা কোভিদ-১৯ গী মতাংদা কুপ্পা খন্নখি। অমদি তঙাইফদনা ভোপাল অমসুং ইন্দোরদা নাইট কর্ফিয়ু থম্নবা ফিরেপ লৌখিবনি।

ভোপাল অমসুং ইন্দোর খক্তা নত্তনা জবলপুর, গ্বালিয়র, উজেন, রাটলম, চিন্দোরা, বুরহানপুর, বেটুল অমসুং খারগোনেগী ওইনসু নুমিদাং পুং ১০ তাবগা দুকান থোঙ লোন্নবা ওফিসলশিংনা খঙহনখ্রে। হোলি থৌরমগী ওইনসু মীয়ামগী ওইবা প্রোগ্রামশিং মধ্য প্রদেশতা পাঙথোকপা য়াররোই। করিগুম্বা পাঙথোকপা তারবসু মরন্নাই ওইনা মশা মশাগী ময়ুমদা পাঙথোক্কবনি হায়রি।

টামিল নাদু ইলেক্সনগী ওইনা কোংগ্রেসকী মেনিফেষ্টো ফোঙখ্রে

চেন্নাই, মার্চ ১৬ (এজেন্সী) :
এপ্রিল ৬ তা পাঙথোক্কদৌরিবা টামিল নাদু এসেমব্লি ইলেক্সনগা মরী লৈননা টামিল নাদু কোংগ্রেস চীফ কে এস অলাগিরিনা ঙসি কোংগ্রেসকী মেনিফেষ্টো ফোঙখ্রে।

ঙসি ফোঙখিবা কোংগ্রেসকী মেনিফেষ্টো অদুদা মরু ওইনা করিগুম্বা কোংগ্রেসনা টামিল নাদুদা লৈঙাক শেম্বা ঙম্লবদি ষ্টেট অদুদা লৈবা লিক্কর সোপশিং থিংজিনগনি। মান্নদবা কাষ্ট মশেল মরক্তা লুহোংবদা খুদোংথিবা থোক্তনবা লো শেমগনি অমদি নুপীদা চথবা ক্রাইমশিং অহেনবা মীৎয়েং চঙবগা লোয়ননা টেক্স কয়া একজেম্প তৌগনি হায়রি।

চেন্নাইদা লৈবা পার্টি ওফিসতা পাঙথোকখিবা কোংগ্রেস মেনিফেষ্টো ফোঙবগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা অলাগিরিনা ফোঙদোকখিবদা টামিল নাদুদা কোংগ্রেসনা লৈঙাক পায়রবদি ইনখৎলক্লিবা নহাশিংগী ওইবা স্কিম কয়া পায়খৎকনি।

দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তগী মতিক চারবা মীওই ৫০০/৫০০ গভর্ণমেন্ট জোব পীগনি। করিগুম্বা কোংগ্রেসনা লৈঙাক পায়রবদি অহানবদা ষ্টেট অদুদা লৈরিবা লিক্কর সোপশিং মপুং ফানা থিংজিনগনি। হৌজিক লৈরিবা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা অহেনবা টেক্স কয়া লৌদুনা লৈবাক পুম্বা অৱাফমদা তাহল্লে।

পেট্রোল, দিজলগী মমল অঙকপা ফংনা ৱাংলে। কোংগ্রেসনা লৈঙাক পায়রবদি হায়রিবা প্রোব্লেম অসি খুদক্তা লোয়শিনবা ঙমগনি। অদুবু বি জে পিনদি অসিগুম্বা প্রোব্লেমশিং অসি লোয়শিনবা পামদে। বি জে পিনা গভর্ণমেন্টকী মচাক মরল কয়া য়োন্থোক্তুনা মশাগী নুংঙাইনবা হোৎনরি। মীয়ামগী খল্লগা থবক কয়া পায়খৎলি হায়না বি জে পিনা মচিন্দা লাউরবসু সেন্তরদা বি জে পি লৈঙাক লাকপদগী লৌমী কয়া মশা মতোমতা শিজখি হায়বসি মীয়াম্না খঙনরবা ৱাফম অমনি হায়রি।

কোলকাটাদা পোৎয়ান য়াওবা শেংদবা ঈশিং থক্লুবদগী মীওই ১ শিরে, ১৫ হৌজিক হৌজিক হোস্পিটালদা লায়কন্নদুনা লৈরি

কোলকাটা, মার্চ ১৬ (এজেন্সী) :
টোটিদগী তারকপা ঈশিং থক্লুবদগী ঙসি অয়ুক কোলকাটাগী ভোৱানিপুর এরিয়াদা মশাগী চহী ৫ খক্তা ঙাইরিবী নুপী মচা অমা শিখ্রে হায়না কোলকাটা ম্যুনিসিপাল কোরপোরেসন (কে এম সী) গী ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ওফিসল অসিনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না সি ৱেজ প্রোজেক্টতগী থোরকপা ফত্তবা মহীশিং অদু টোটি পাইপতা চেনশিনখিবদগী লায়বকথিবা থৌদোক অদু ওইরম্বা য়াই।

থৌদোক অদু চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিগা ময়ুমগা ইরাপ লাপ্পদনা লৈবা ৱার্দ নম্বর ৭৩ দা থোকখিবনি। ৱার্দ অদুনা ঈশিং থক্লুবদগী শিখিবা মীগী মশীং ঙসিগী অসি থারগা ৩ শুখ্রে। হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তগী কে এম সী ক্বার্টরদা লৈবা অয়ুসি কুমারী টোটি পাইপতগী তারকপা ঈশিং থক্লুবদগী মশা নুংঙাইরকখিদে। মদুদগী মহাক মনাক নকপদা লৈবা নর্সিং হোম অমদা এদমিট তৌদুনা লায়কন্নখি। অদুবু ঙসি অয়ুক পুং ৭ লোম তারকপদা লায়কন্নবা ঙমদনা অঙাং অদু শিখিবনি হায়রি।

অতোপ্পা থৌদোক অমদনা হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা ভুবনেশ্বর দাস (৪৩) কৌবা মীওই অমসু ঈশিং থল্লুবদগী লায়কন্নবা ঙমদনা শিখি হায়রি। টোটিদগী থোরক্লিবা ঈশিং অদু মতৌ করম্না পোৎয়ান য়াওবা শেংদবা ঈশিং ওইরিবনো হায়বদুগী মতাংদা থিজিনবা হৌখ্রে। ঈশিং থক্লুবদগী অতোপ্পা মীওই ১৫ সু হৌজিক হৌজিক লোকেল হোস্পিটালশিংদা ট্রিটমেন্ট চথুদুনা লৈরি হায়না ৱার্দ নম্বর ৭৩ গী কোওদিনেটর রতন মালাকরনা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা থৌদোক অসিগা মরী লৈননা মলাকরনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক হৌজিক ৱার্দ নম্বর ৭৩ দা লৈবা ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা থক্লবা ঈশিং অমদি ও আর এস য়েন্থোকপগী থবক চথুরি। হেল্থ দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংনসু থৌদোক অদুগী মতাংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা থিজিনবগী থবক কন্না চথুরি।

থক্লুবা ঈশিংদা মার্করিগী লেভেল কা হেন্না ৱাংখৎলকপদগী মীশি মীনাগী থৌদোক অদু ওইরম্বা য়াই হায়না থাজনরবসু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি চপ চাবা মরম খঙবা ঙমদ্রি।

অমরোমদা ৱার্দ নম্বর ৭৩ দা লৈবা মীওই অমনা ফোঙদোকখিবদা শেল থুমগী ফীভম খুদোংচাদবনা মরম ওইরগা নুমিৎ খুদিংগী ঈশিং লৈরগা থকপসু ঙমদে। মরম অদুনা মখোয় অকিবা ফাওরে। মীয়ামগীদমক য়েংলগা গভর্ণমেন্টনা অথুবা মতমদা য়েংশিনবিয়ু হায়খি।

পুনেদা লৈবা শিবাজি মার্কেটতা লৈবা দুকান ২৫ মৈনা তুম্না চাকখ্রে

পুনে, মার্চ ১৬ (এজেন্সী) :
পুনেদা লৈবা অরিবা মার্কেটশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা উহৈ অমসুং মনা মশীং য়োনবা শিবাজি মার্কেটতা ঙসি অয়ুক খঙহৌদনা মৈ চাক্লকপদগী দুকান ২৫ অমাং অতা থোকহনখ্রে হায়না ফায়র ব্রিগেদকী ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

লাইবক ফবদগী মৈ চাকপগী থৌদোক অদুদা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি অশোক অপন থোকপগী পাউ লৈতে। থৌদোক অদু ঙসি অয়ুক পুং ৪ রোম তারকপদা থোকখিবনি। মৈ চাকপগী পাউ হেক ফংবগা ৱাটর টেঙ্কর ৯ মফম অদুদা খুদক্তা থাজিনখি। মৈ অদু মুথৎনবা হোৎনবদা পুংখায় অমরোম হেন্না চঙখি হায়না পুনে ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী ফায়র দিপার্টমেন্টকী চীফ প্রসান্ত রনপিসেনা ফোঙদোরক্লি। মৈ অদু মতৌ করম্না চাক্লকখিবনো হায়বদু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। কৈথেল অদুদা লৈবা মৈ থানবদা শীজিন্নরিবা ৱয়রশিংদগী স্পাক থোরক্তুনা মৈ অদু হৌরকপা ওইরম্বা য়াই হায়না থাজনরি।